## রসিয়নশিং মায়থীবা পীবা ঙম্মী হায়বসি ঐখোয়না উৎলে ঐখোয়দা মখা তানা খুৎলায় পীরকপা মথৌ তারি: পিএম



কিভ, সেপ্টেম্বর ১১ (এজেন্সী):
যুক্রেনিয়ন আর্মিনা চথরিবা কাউন্টর ওফেন্সিব মায় পাক্লিবা অসিনা রসিয়াবু যুক্রেননা মায়থীবা পীবা ঙম্মী হায়বসি উৎলে। তৌইগুম্বসুং ঐখোয় হৌজিক্তি অহেনবা খুৎলায়শিং মথৌ তারি হায়না যুক্রেনগী ফোরেন এফিয়র্স মিনিষ্টর দমিট্রো কুলেবানা নোংমাইজিং নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

জমর্নিগী মহাক্কী লেঙমান্নবা অনালেনা বেরবোক্কা লোয়ননা পাঙথোকখিবা প্রেস কনফরেন্স অমদা মহাক্না ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

কুলেবানা হায়খি, মদুদি লান হৌরকপা মতমদা মীচং খরনা যুক্রেনদা খুৎলায় পীনিংখিদে। মদু মখোয়দা রসিয়নগী প্রসিদেন্ট ব্লাদিমির পুটিননা শাউরক্কনি হায়না খনবদগীনি। তৌইগুম্বসুং হৌজিক্তি মীচংশিং অসিদগী অদুগুম্বা আর্গুমেন্ট তাদ্রে। ঐখোয়না রসিয়ন আর্মিবু মায়থীবা পীবা ঙম্মী হায়বসি যুক্রেনিয়ন ফোর্সশিংনা চপ চানা উৎখ্রে। মসিসু ঐখোয়না অরৈবা খুৎলায়শিং অসি শীজিন্নরগা লান্থেংনবদনি। ঐখোয়দা খুৎলায় মতিক চানা লৈরিবমখৈ রসিয়নশিংবু মায়োক্লবদা হেন্না খুদোংচাহল্লি অমদি লান অসিবু থুনা লোইশিলহনবদা মসিনা মতেং পাঙগনি।

প্রেস কনফরেন্স অদুদা ৱা ঙাঙলদুনা বেরবোক্কা যুক্রেনদা মখা তানা মিলিটরিগী মতেং পীগনি হায়না ফোঙদোকখি অমসুং নোংচুপলোমগী ওইবা বেটল টেঙ্কশিং সপ্লাই তৌরকপা ফাওবা য়াই হায়খি।

যুক্রাইয়িন্সকা প্রাবদাগী রিপোর্ট মতুং ইন্না যুক্রেনিয়ন আর্মিনা লৈবাক অসিগী রসিয়ানা পায়শিল্লিবা টেরিটরিশিংদা কাউন্টর ওফেন্সিব অমা লোঞ্চ তৌখি। সেপ্টেম্বর হৌরকপদগী যুক্রেনিয়ন আর্মদ ফোর্সেসনা রসিয়ন ওক্যুপায়রশিংদগী যুক্রেনগী লম স্কৱার কিমি ২০০০ রোম লিবরেট তৌরে হায়না রিপোর্ট অদুদা পনখি।

খর্কিবকী চিদাইগী শরুক্তা যুক্রেনিয়ন ট্রুপশিংনা সেটলমেন্ট ৩০ হেন্না পায়শিনবা ঙমখ্রে। সেপ্টেম্বর ১০ দা রসিয়ন ট্রুপশিং মরু ওইবা সিটি ইজিয়ম থাদোকখ্রে হায়না রিপোর্ট তৌখি। যুক্রেনিয়ন আর্মিনা যুক্রেনগী খা থংবা শরুক্তসু কাউন্টর ওফেন্সিব মায় পাক্লা চথরি। হৌজিক যুক্রেনিয়ন ফোর্সশিং খা থংবা লমদমগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা কিলোমিটর কয়া চঙশিনবা ঙমখ্রে।

চৈরকসিদা যুক্রেনিয়ন আর্মিনা খর্কিব ওব্লাষ্টকী বসিলেনকোব অমসুং আর্টিমিবকা হায়রিবা ভিলেজ অনী অসি লিবরেট তৌরে হায়না যুক্রেনিয়ন প্রসিদেন্ট জেলেন্সকিনা টেলিগ্রাম পোষ্টতা ফোঙদোকখ্রে।

ঐখোয়না তপ্পা তপ্পা চঙশিনদুনা অমদি রসিয়ন ফোর্সশিংবু থেংনদুনা যুক্রেনগী লমশিং মথং মথং লিবরেট তৌরক্লি। যুক্রেনগী ১১৩ শুবা টেরিটরিএল দিফেন্স বৃগেটকী লান্মীশিংনা খর্কিব ওব্লাষ্টকী বসিলেনকোব অমসুং আর্টিনিবকা লিবরেট তৌরে হায়না জেলেন্সকিনা ফোঙদোকখি।

যুক্রাইয়িন্সকা প্রাবদাকী রিপোর্ট মতুং ইন্না প্রসিদেন্ট জেলেন্সকিনা মীয়ামদা নিংতম্বা ফঙবা হায়বসি অরাইবা নত্তে হায়বা ৱাফম থমখি। যুক্রেনিয়ন দিফেন্দরশিংনা কখোকপগা লোয়ননা ঐখোয় পুম্নমক নিংতম্নবগীদমক্তা অকন অরিংশিংবশিংগা লান্থেংনরি। যুক্রেনিয়ন আর্মিনা খর্কিব ওব্লাষ্টকী বালাক্লিয়া সিটি লিবরেট তৌরে হায়বসি সেপ্টেম্বর ৮ দা জেলেন্সকিনা কনফার্ম তৌখিবনি। সেপ্টেম্বর ১০ দনা যুক্রেনিয়ন আর্মদ ফোর্সেসনা কুপিয়াঙ্কস অমসুং ইজিয়ম লিবরেট তৌরে হায়বসি খঙবা ঙমখি।

যুক্রেনিয়ন আর্মিনা খর্কিব ওব্লাষ্টকী সিটি অমসুং টাউন ৩০ হেন্না কন্ট্রোল তৌরে হায়বসি সেপ্টেম্বর ৯ দা জেলেন্সকিনা কনফার্ম তৌখি।

## পাক পিএমগী মচানুপাগী বেঙ্ক একাউন্ট ১৩ হেন্না ফ্রিজ তৌনবা স্পিসল কোর্টনা ওর্দর তৌখ্রে



লাহোর, সেপ্টেম্বর ১১ (এজেন্সী):
পাকিষ্টানি প্রাইম মিনিষ্টর সেহবাজ সারিফকী মচানুপা সুলেমান সেহবাজগী নেসনেল বেঙ্ক ওফ পাকিস্তানদা লৈরিবা একাউন্ট ১৩ হেন্না ফ্রিজ তৌনবা স্পিসল কোর্ট সেন্ট্রেলনা ওর্দর তৌখ্রে।

সুলেমানগা লোয়ননা মহাক্কী অপোকপা সেহবাজ অমসুং মনাওনুপা হমজা সেহবাজপু লুপা বিলিয়ন ১৬ ফাওবা মনি লোন্দরিং তৌই হায়না মরাল শীরিবনি। অল অরাবিয়া সুগর মিল্কস, রামজান সুগর মিল্কস, চিমিওট পৱার লিমিটেদ, সারিফ ফিদ মিল্কস অমসুং য়ুনিটাস ষ্টিল য়াওনা সুলেমাননা চল্লাইবনি হায়বা কম্পেনিগী একাউন্টশিং ফ্রিজ তৌনবা স্পিসল কোর্টনা মরী লৈনবা ওথোরিটিশিংদা দিরেক্সন পীখ্রে।

কোর্ট ওর্দর ইস্যু তৌরবা ফাওবদা সুলেমানগী একাউন্টশিং ফ্রিজ তৌদবগীদমক বেঙ্ক ওফিসারশিংদা কোর্ট অসিনা ছো কোস নোটিস অমসু ইস্যু তৌখ্রে।

কোর্টনা অসিনা মসিগী ওবজার্বেসনদা কোর্ট অসিগী ওর্দরশিং ইন্দবগীদমক্তা বেঙ্ক ওফিসরশিং অদুগী মায়োক্তা করিগী ক্রিমিনেল প্রোসিদিংশিং লৌখৎলোইদগে হায়না হংখি। কোর্টনা মখা তানা হায়খি, মদুদি বেঙ্কশিংদা একাউন্টশিং অদু ফ্রিজ তৌননবা ওর্দরশিং ময়েক শেংনা ইস্যু তৌখিবনি অমসুং ইনভেষ্টিগেসন ওফিসারনা কোর্টকী ওর্দরশিং অদু বেঙ্কশিংদা ইদুনা খঙহনখ্রবনি।

বেঙ্কশিং অদুনা একাউন্টশিং ফ্রিজ তৌনবা খঙহল্লিবা কোর্টকী ওর্দরশিং অদু মপুং ফানা ইনবগী মহুত্তা শুপ্নগী একাউন্টশিং অদুগী অকুপ্পশিংদমক উৎখি হায়না ওর্দর অদুদা পনখি। কোর্টনা মদুগী মতুংদা বেঙ্ক ওফিসারশিং অদু সেপ্টেম্বর ১৭ তা মশা মশা লাক্ননবা সমন তৌখি।

চৈরকসিদা মমাঙদা গভর্ণেন্স অমসুং লৈঙাক্কী থবক থৌদাদা হেংশিংবগীদমক্তা খঙনখিবা সেহবাজ সারিফ হৌজিক পাকিষ্টানগী প্রাইম মিনিষ্টর ওইনা পাঙথোকফম থোকপা মথৌ অমত্তা পাঙথোকপা ঙমদ্রে হায়না ড ন্যুজকী রিপোর্ট অমনা হায়রি।

লৈবাক অসিগী হান্নগী পিএম ইমরান খাননা সারিফ অমসুং মহাক্কী পার্ফোমেন্সপু থেংখাং কয়াদা ক্রিটিসাইজ তৌদুনা লাকপদা নত্তনা হৌজিক্না রুল্লিং কোলিসনগী মনুংদা য়াওরিবা পার্টনরশিং অমদি সেক্সন কয়ানা সেহবাজনা লৈবাক অসিগী পিএম ওইনা তৌফম থোকপা থবক অমত্তা তৌবা ঙমদ্রিবসি করিগীনো হায়না হংনরক্লি হায়রি।

## চাওখৎলবা লৈবাকশিংনা গ্রিন হাউস ইমিশন খ্বাইদগী হেন্না থাদোকখি: য়ুএন চীফ

ইস্লামাবাদ, সেপ্টেম্বর ১১ (এজেন্সী):
এটমোস্ফিয়রদা গ্রিন হাউস ইমিশন খ্বাইদগী হেন্না থাদোক্লিবসি চাওখৎলবা লৈবাকশিংননি হায়বসি পুৱারীনা উৎলি হায়না য়ুএন সেক্রেটরি জেনরেল এন্টোনিও গুটরেজনা ফেঙদোকখ্রে।

গুটরেজনা ৱাফম অসি পাকিষ্টানগী ঈচাওনা শোকহল্লবা মফমশিংদা খোঙচৎ অমা পাঙথোক্লিঙৈ মরক্তা লৈবাক অসিগী খা থংবা হিথাংফম সিটি করাচিদা প্রেস ব্রিফিং অমদা ফোঙদোকখিবনি।

এজেন্সিনা মহাক্কী ৱারোল পল্লদুনা হায়, গ্রিন হাউস ইমিশনশিং এটমোস্ফিয়রদা থাদোকপা অসিনা পীরক্লিবা চৈথেং অসি অদুক্কী মতিক চাওই। সাউথ এসিয়া য়াওনা ক্লাইমেট চেঞ্জনা খুদোংথীনিংঙাই ওইবা ফিভম কয়া লাকহনবা য়ারিবা মফমশিংদা লৈরিবা মীয়াম অসিগুম্বা ক্লাইমেট ইম্পেক্টশিংদগী শিবা য়াবা চাং অসি অতৈগা চাংদম্নবদা শরুক ১৫ হেল্লি। মালেমগী অপুনবা মীশিং তঞ্জায় অমরোমদি হৌজিক অসিগুম্বা কেটিগরি অসিদা লৈরিবনি অমসুং মখোয় অয়াম্বা চাওখৎলক্লিবা লৈবাকশিংদা লৈরিবনি। পাকিষ্টানদা ঈশিং ঈচাওনা অমাঙ অতা অমদি অৱা অনা চাওনা থোকহল্লক্লিবা অসিগা ইরোইননা সেক্রেটরি জেনরেল অসিনা ইন্টরনেসনেল কম্যুনিটিশিংদা চৈথেং নঙলবা লৈবাকশিংগী শেন্দোল কোক্লবগী অনৌবা মেকানিজম অমা পুথোক্লবা আপিল তৌখি।

মহাক্না মখা তারদুনা শেন্দোল থৈদোক থৈজিনগী মেকানিজম অমা লৈহন্দুনা মপানগী শেন্দোল তোল্লবা লৈবাক অমবু ক্রিদিটরশিংদা শেন্দোল অদু শিংদোকপগী মহুত্তা শেল অদু ক্লাইমেট রিজিলিয়ন্স, সষ্টেনেবল ইনফ্রাষ্ট্রকচর অমসুং মখোয়গী ইকনোমিশিংগী গ্রিন ট্রাঞ্জেসনদা ইনভেষ্ট তৌবা য়াই হায়খি। মদুগী মমাঙ ইরাই নুমিত্তা পাঙথোকখিবা প্রেস কনফরেন্স অমদা চাওখৎলবা লৈবাকশিংনা চহী চা কয়া এটমোস্ফিয়রদা কার্বোন থাদোকপগী মতাংদা এজেন্সিনা হংলকখিবা ৱাহং অমগী পাউখুমদা গুটরেজনা গ্রিন হাউস গ্যাস ইমিশনশিংগী চৈথেং খ্বাইদগী হেন্না নঙলবা চাওখৎলক্লিবা লৈবাকশিংবু অসিগুম্বা চৈথেংশিং খাঙবা ঙম্নবা চাওখৎলবা লৈবাকশিংনা ইফেক্টিব সপোর্ট পীননবা অমদি ওইরক্লিবা ফিভমগা চান্নবা খোঙথাংশিং লৌখৎপা ঙমহন্নবা আপিল তৌখি। লোয়ননা সেক্রেটরি জেনরেলনা মসি পুকচেল চাওবগী ৱাফম নত্তে, তৌইগুম্বসুং জষ্টিসকী ৱাফমনি হায়নসু ফোঙদোকখি। গুটরেজনা থাংজ নুমিত্তা পাকিষ্টানগী পিএম অমদি অতৈ ওফিসলশিংগা লোয়ননা ঈচাওনা শোকহল্লবা সাউর্দন শিন প্রোভিন্স অমসুং সাউথ ৱেষ্ট বেলোচিষ্টান প্রোভিন্সকী মফম কয়া য়েংশিনখিবনি।

## প্রসিদেন্ট ব্লাদিমির পুটিন ইম্পিচ তৌ হায়রুবদগী রসিয়াগী ওফিসল কয়া পুলিসনা সমন তৌখ্রে

সেন্ট পিটর্স বর্ক, সেপ্টেম্বর ১১ (এজেন্সী):
রসিয়াগী প্রসিদেন্ট ব্লাদিমির পুটিনবু ইম্পিচ তৌননবা তকশিনখিবশিংনি হায়বা লৈবাক অসিগী ইলেক্টেদ ওফিসল কয়া পুলিসনা সমন তৌখ্রে হায়না মেদিয়া রিপোর্ট অমনা হায়রি।

প্রসিদেন্ট পুটিননা রসিয়াদা চথরিবা থবক থৌওং কয়াবু ফোঙনা য়ানিংদবা উৎলকপগী মতৌ অমদা সেন্ট পিটর্স বর্ক এরিয়াগী স্মোলনিংসকোয়ে ম্যুনিপালিটিগী লোকেল দিপ্যুটিশিংনা প্রসিদেন্ট পুটিনবু ইম্পিচ তৌননবা রসিয়ন দুমাদা আপিল তৌখি হায়না রিপোর্ট অমনা হায়রি।

রিপোর্ট অদুনা মখা তানা হায়রি, মদুদি হাই ট্রিজনগী ক্রাইমগা মরী লৈননা রসিয়ন ওফিসলশিং অদুনা পুটিনবু ইম্পিচ তৌননবা দুমাদা আপিল তৌখিবনি।

আপিল অদুগী ওথর ওইরিবা দমিট্রি পালয়ুগানা ত্বিটর পোষ্ট অমদা পুটিনবু নহা ওইরিবা রসিয়নশিংবু অফবা ৱার্ক ফোর্স ওইনা শীজিন্নরম্বগী মহুত্তা মিলিটরিদা শীজিন্নদুনা অরেম্বদা পুন্সি লোইহল্লে হায়না মরাল শীখি। লোয়ননা মখোয়না রসিয়াগী শেল থুমগী ফিভম শোকচিল্লকপা, ব্রেন দ্রেন রসিয়াগা য়ুমথংনরিবা ফিনলেন্দ অমসুং স্বিদেনবু নাটোদা য়াওহন্দুনা নোংচুপলোমগী মিলিটরি এল্লায়ন্স অসিবু নোংপোকলোমদা চাওথোরকপা অমদি যুক্রেনদা চথরিবা স্পিসল মিলিটরি ওপরেসন অদুগী ইফেক্ট ওন্ন-তৈনরকপনচিংবগী মতাংদা পুটিনবু মরাল শীখি।



পালয়ুগা অমসুং ফেলো দিপ্যুটি নিকিতা য়ুফেরেক্না মতুং তাবদা ত্বিটর পোষ্ট অমদা রুল্লিং ইষ্টাব্লিসমেন্টনা পায়খৎলিবা থবক থৌরমশিং করিসু লৈতনা উহন্নবা হোৎনবগীদমক্তা সেন্ট পিটর্স বর্ক পুলিসনা মখোয়দা ইস্যু তৌরকখিবা সমনশিংগী কোপি অমা উৎখি। পালয়ুগানা মতুংগী মতুংদা সমন তৌখিবা দিপ্যুটি মরিদুগী মনুংদা অনী পুলিসনা থাদোরক্লে অমসুং মখোয় লোইনমক ফাইল তৌবা য়াই হায়নসু পনখি হায়রি।

রসিয়ন ফোর্সশিংনা যুক্রেনদা লান দারিবা অদুবু ক্রিটিসাইজ তৌরিবা পুন্নমক য়ৈথৎনবা ক্রেমলিননা হোৎনদুনা লাক্লিবনি। ফেব্রুৱারীগী অথেংবা শরুক্তা যুক্রেনগী মায়োক্তা মপুং ফানা এটেক চথবা হৌখ্রবা মতুংদা রসিয়ন গভর্ণমেন্টনা লৈবাক অসিগী ফ্রি প্রেসপু মথৌ তৌহন্দনবা থুনা লৌখৎফম থোকপা খোঙথাংশিং লৌখৎখি অমদি শেমজিন শাজিনবা পাউ শন্দোকপশিংবু অকনবা ক্রিমিনেল পেনালটিশিং পীরিবা অনৌবা লো অমা চৎনহনখি। ওবিদি ইনফো হায়বা রসিয়াদা ওথোরিটিশিংনা মরম চাদনা ফাজিল্লিবশিংবু ট্রেকিং তৌদুনা লাকপা ইন্দিপেন্দেন্ট গ্রুপ অমগী মতুং ইন্না যুক্রেনদা লান্দাবা হৌখিবদগী রসিয়াদা চথখিবা এন্টি-ৱার এক্তিভিজমগা মরী লৈননা রসিয়ন ওথোরিটিশিংনা হৌজিক ফাওবদা মীওই ১৬৪৩৭ ফাগৎখ্রে।

## য়ুরোপিয়ন ষ্টেটমেন্ট পুক্নিং থৌগৎনিংঙাই ওইদে: ইরান

টেহরান, সেপ্টেম্বর ১১ (এজেন্সী):
কুমজা ২০১৫ গী ন্যুক্লিয়র দিল হিংগৎহনবগা মরী লৈননা ইরানগী থৌওংদা চিংনবা উৎখিবা বৃটেন, ফ্রান্স অমসুং জমর্নিগী খ্বাইদগী নৌবা ষ্টেটমেন্ট পুক্নিং থৌগৎনিংঙাই ওইদে অমসুং মদু ইরানিয়নশিংগী গুদৱিলগী মায়োক্তনি হায়না ইরানগী ফোরেন মিনিষ্ট্রিনা ওফিসল ষ্টেটমেন্ট অমদা ফোঙদোকখ্রে।

ইরানগী ফোরেন মিনিষ্ট্রিগী স্পোক্সমেন নাসিল কানানিনা থাংজ নুমিত্তা হায়খি, মদুদি নিগোসিএসন চথরিবা সাইটশিংগী মথক্তা দিপ্লোমেটিক ইন্টরেক্সন অমসুং একচেঞ্জশিং লেপত্রিঙৈ তাল্লকসিদা অমদি ভিএনাদা ৱারী শান্নরিবা অসিগী কোওর্দিনেটরনা নিগোসিএসন ফাইনেলাইজ তৌনবা হোৎনরিঙৈ মরকসিদা ৱারী শান্নবা মায় পাকহন্দনবা মওংদা অসিগুম্বা ষ্টেটমেন্ট অমা থোক্লকপসি ঙক্নিংঙাই অমসুং নুংনাংনিংঙাই ওই।

জোইন্ট কম্প্রিহেন্সিব প্লান ওফ এক্সন (জে সি পি ও এ) হায়না ওফিসল ওইনা খঙনবা কুমজা ২০১৫ গী ইরানিয়ন ন্যুক্লিয়র দিল অদুবু হিংগৎহন্নবা চথরক্লিবা ৱারী ফাইনেলাইজ তৌবা হায়বসি ইরানগী অপাম্বনি হায়না পল্লদুনা মহাক্না য়ুরোপিয়ন সাইটশিংদা হেক হৌবদগী নিগোসিএসন অদুগী মায়োক্তা লৈরিবা অহুমশুবা পার্টিশিংনা শন্দোক্লিবা প্রোপেগন্দানা ইথিল পীহল্লোইদবনি হায়খি। নিগোসিএসন অদু হৌজিক মখোয়না অঙম্বা থাক্তা মায় পাকহন্দনবা হোৎনরিবনি হায়নসু মহাক্না চেকশিন ৱা ফোঙদোকখি। স্পোক্সমেন অসিনা মখা তারদুনা অকিবা পীবগী থৌওংশিং চথবগী মায়োক্তসু য়ুরোপিয়ন লৈবাকশিংদা ৱার্নিং তৌখি।

কানানিনা হায়, অকিবা পীবা অমদি অথিংবা কয়া থমদুনা ইরানগী মীয়াম্বু মখোয়গী রাইটশিংগী মায়োক্তা চৎহন্নবা হোৎনরিবা অমদি মখোয়গী অপাম্বশিংদমক চৎহনগনি খল্লিবশিং অদুনা খঙগদবদি য়ুএসনা মেক্সিমম প্রেসর পীনবা চথখিবা কেম্পেইন অদু মপুং ফানা মায়থীবা নঙখি হায়বসিনি। ইরাননা হৌজিকসু দিল অমা ফাইনেলাইজ তৌনবা শেম শাদুনা লৈ হায়না পল্লদুনা কানানিনা হায়, নিগোসিএসন অদুদা শরুক য়ারিবা অতৈনা মপানগী ইথিলদা চৎতবা তারবদি এগ্রিমেন্ট অমা থুনা পুরকপা য়াগনি হায়না মহাক্না থাজে।

## ইরাক্তা চথখিবা এয়র ষ্ট্রাইকশিংদা আই এস মিলিটেন্ট ১১ শিখ্রে

বাঘদাদ, সেপ্টেম্বর ১১ (এজেন্সী):
ইরাক্কি নোংচুপ অমসুং নোংপোক থংবা লমদমশিংদা থাংজ নুমিত্তা চথখিবা এয়র ষ্ট্রাইকশিংদা ইস্লামিক ষ্টেট (আই এস) কী মিলিটেন্ট ১১ শিখ্রে হায়রি।

ইরাক্কি জোইন্ট ওপরেসন্স কম্মান্দ (জেওসি) না মেদিয়া রিলিজ অমদা হায়, নোংচুপ থংবা ইরাক্কি অনহার্দ প্রোভিন্সকী অল জলায়াদ এরিয়াদা চথখিবা এয়র ষ্ট্রাইকশিংদা লোকেল লিদর অমা য়াওনা মিলিটেন্ট তরেৎ শিখি অমসুং মখোয়গী লোৎফম অমা থুগায়খি। এয়র ষ্ট্রাইক অদু ইন্টলিজেন্স রিপোর্টতা য়ুম্ফম ওইরগা চথখিবনি হায়রি।

জেওসিনা তোঙানবা ষ্টেটমেন্ট অমদা হায়, ইরাক্কি নোংপোক থংবা প্রোভিন্স দিয়ালাদা ইন্টলিজেন্স রিপোটশিংদা য়ুম্ফম ওইরগা ইরাক্কি এয়রক্রাফটনা হিনরিন পাৎকী মপানদা লৈবা আইএসকী লোৎফম অমদা এয়র ষ্ট্রাইক অনী পাঙথোকখিবগা লোয়ননা মিলিটেন্ট অহুম শিখি।

ষ্টেটমেন্ট অদুনা মখা তানা হায়রি, মদুদি অতোপ্পা আই এস মিলিটেন্ট অমসু টার্গেট তৌরিবা মফম অদুদা থী হুম্বা চথখিবা আর্মদ ফোর্সেসকী কাঙবুশিংগা খুৎ থোক্লবদা শিখি। ট্রুপশিং অদুনা মোটোর সাইকল অহুম, এক্সপ্লোসিব দিভাইসশিং অমসুং এক্সপ্লোসিবশিং য়াওবা বেরেলশিংসু মাঙ তাকহনখি। হৌখিবা থা কয়া অসিদা ইরাক্কি সেক্যুরিটি ফোর্সশিংনা এক্সট্রিমিষ্ট মিলিটেন্টশিংনা চথরক্লিবা অকি তুজুং পোকহনবগী থৌওংশিংগী মায়োক্তা অকনবা কেম্পেইন অমা চথরকপনি।


কুমজা ২০১৭ দা ইস্লামিক ষ্টেটপু মায়থীবা পীখিবদগী ইরাক্তা সেক্যুরিটিগী ফিভম ফগৎলকখি। অদুম ওইনমক মতমদুদগী লৈহৌবা টেররিষ্ট মচিৎ মখাকশিংনা অর্বান সেন্টরশিং, লৈকংলাশিং অমসুং চীংমানশিংদা চঙশিন্দুনা ফিভম শেমখিবগা লোয়ননা সেক্যুরিটি ফোর্সশিং অমসুং সিভিলিয়নশিংগী মায়োক্তা গুরিলা এটেকশিং তোইনা পাঙথোক্তুনা লাকখিবনি।

## অতাবা মমলদা তঙাই ফদবা পোৎলমশিং য়োনবগী দ্রাইভ হৌখ্রে

ধাকা, সেপ্টেম্বর ১১ (এজেন্সী):
পোৎচৈগী মমল ৱাংখৎলকপগা লোয়ননা বাংলাদেশকী ইনকম নেম্বা ইমুং মিলিয়ন কয়াগী মতেং ওইনবা বাংলাদেশি গভর্ণমেন্টনা নোংমাইজিং নুমিত্তা তঙাই ফদবা পোৎলমশিং সবসিদাইজ রেটশিংদা য়োনবগী অখন্নবা দ্রাইভ অমা সাউথ এসিয়াগী লৈবাক অসি শিন থুংনা হৌখ্রে।

বাংলাদেশকী কর্ম্মস মিনিষ্ট্রিগী সেনিয়র সেক্রেটরি তাপন কাটি ঘোসনা নেসনেল কেপিটেল ধাকাগী দিল্লর পোইন্ট অমদা স্পিসল সেলস দ্রাইভ অদু হৌদোকখি। ষ্টেটনা চল্লাইবা ট্রেদিং কোর্পোরেসন ওফ বাংলাদেশ (টিসিবি) না শিন লাংলিবা দ্রাইভ অদুগী পান্দমদি লৈবাক অদুগী ইনকম নেম্বা ইমুং মিলিয়ন তরাদা সবসিদাইস মমলশিংদা তঙাই ফদবা পোৎলমশিং ফঙহনগনি হায়রি।

## চহী অমা হেনবগী মনুংদা অহানবা ওইনা করাচিগী সিৱেজ লাইনদা পোলিওভাইরস থেংনখ্রে



করাচি, সেপ্টেম্বর ১১ (এজেন্সী):
হৌখিবা ওগষ্টতা করাচিগী লান্দি এরিয়াগী সিৱেজ লাইনদগী লৌখিবা ইনভাইরনমেন্টেল সেম্পল অমদা ৱাইল্ড পোলিওভাইরস টাইপ-১ য়াওরম্বা থেংনরে হায়না পাকিষ্টানগী কেপিটেল ইস্লামাবাদতা লৈবা নেসনেল ইন্সটিট্যুট ওফ হেল্‌ঠকী নেসনেল পোলিও লেবোরেটরিনা ফোঙদোকখ্রে।

ফেদরেল মিনিষ্ট্রি ওফ নেসনেল হেল্‌ঠ সার্ভিসেসকী ওফিসলশিংনা হায়খি, মসি চহী অসিগী ওইনা শিন প্রোভিন্সতগী লৌবা ইনভাইরনমেন্টেল সেম্পলদা পোলিওভাইরস পোজিটিব ওইবগী অহানবা থৌদোক্নি।

হৌখিবা ওগষ্ট থা খক্তদা পাকিষ্টানদা পোলিওভাইরসকী পোজিটিব কেস ১১ আইদেন্টিফাইট তৌখি অমসুং চহী অসিগী ওইনা হৌজিক ফাওবদা কনফার্ম তৌরবা অপুনবা কেস মশিং অসি ২২ শুরে। হৌখিবা ওগষ্টতা আইদেন্টিফাইট তৌখিবা কেস ১১ গী মনুংদা কেস ৫ দি খাইবর-পাক্তুনখুৱা (কেপি) দা থেংনখিবনি। লোয়ননা পঞ্জাব অমসুং শিন্দ প্রোভিন্সশিংদসু কেস অমমম থেংনখি।

ফেদরেল মিনিষ্ট্রিগী ওফিসল-শিংনা হায়, মদুদি করাচিদা পোজিটিব ওইখিবা ইনভাইরনমেন্টেল সেম্পল অদু হৌখিবা ওগষ্ট ২৩ দা লান্দি রিজনগী বক্তৱার ভিলেজদগী লৌখিবনি। কুমজা ২০২২ দা করাচিদা ইনভাইরনমেন্টেল সেম্পলদা পোজিটিব ওইবসি মসিনা অহানবনি। মমাঙদা করাচিদা পোলিও ভাইরস টেষ্টতা পোজিটিব ওইখিবসি কুমজা ২০২১ গী মেদনি।

মমাঙদা দিষ্ট্রিক্ট অসিদা পোলিও ভাইরস লাইচৎ শন্দোকখিবসি কুমজা ২০২০ গী জুনদনি। ওফিসল অমনা হায়, দিষ্ট্রিক্ট অদুদা হন্দক্তা ইনৌ নৌনা পোলিও ভেক্সিনেসনগী কেম্পেইন ওগষ্ট ১৫ দগী ২১ ফাওবা চথখি। কুমজা ২০২২ দা পোজিটিব ওইখিবা ইনভাইরনমেন্টেল সেম্পল ১৩ লৌখিবদু কেপিদগীনি।

কেপিগী সেম্পলশিং অদুগী মনুংদা সেম্পল তরেৎতি বানুদগী কলেক্সন তৌখিবনি। সেম্পল অহুম্না পেসৱারদগী, সেম্পল অনীনা স্বাটতগীনি অমসুং সেম্পল অমনা নাউসেরাদগী লৌখি। পোজিটিব সেম্পল তরেৎ পঞ্জাবতগী লৌখি। মখোয়গী মনুংদা লাহোরদগী ৩ অমসুং রাৱল পেন্দিদগী ২ য়াওরি।

## য়ুএসনা লুচিংবা আই পি ই এফ মেম্বর লৈবাকশিংগী ওফিসল নিগোসিএসন হৌখ্রে



সিওল, সেপ্টেম্বর ১১ (এজেন্সী):
সাউথ কোরিয়া অমসুং ইন্দো পেসিফিক ইকনোমিক ফ্রেমৱার্ক (আই পি ই এফ) কী অতৈ মেম্বর লৈবাক ১৩ না লমদম অসিনা মায়োক্নরিবা ইকনোমিক চেলেঞ্জশিং থেংনবদা রিজনেল ইকনোমিক কোওপরেসন হেনগৎহন্নবগী ওফিসল নিগোসিএসন হৌবগী ৱাফম য়ানরে হায়না সিওলগী ট্রেদ মিনিষ্ট্রিনা হায়রি।

মিনিষ্ট্রি ওফ ট্রেদ, ইন্দষ্ট্রি এন্দ ইনর্জিগী মতুং ইন্না ট্রেদ মিনিষ্টর অন্দুক-গিয়ুনা আই পি ই এফ মেম্বর লৈবাকশিংগী মহাক্কী লেঙমান্নবশিংগা ইরাই নুমিত্তা ৱারী শান্নবদা ফায়র ট্রেদ, সপ্লাই চ্যেন রিজিলেন্স, ইনফ্রাষ্ট্রকচর এন্দ গ্রিন টেক্নোলোজি অমসুং টেক্স এন্দ এন্টি করপসন হায়বা মরু ওইবা পিল্লর মরিগী মতাংদা ফোর্মেল রুল শেম্বগী ৱারী হৌবগী ৱাফম য়ানখি।

প্লেটফোর্ম অসিদা মেম্বর ১৪ য়াওই। মখোয় অদুদি সাউথ কোরিয়া, য়ুএস, জপান, ওষ্ট্রেলিয়া, ন্যু জিলেন্দ, ভিএটনাম, ব্রুনৈ, ইন্দিয়া, ইন্দোনেসিয়া, মালেসিয়া, ফিলিপিন্স, সিঙ্গাপোর, থাইলেন্দ অমসুং ফিজিনি।

হৌখিবা চয়োলদা য়ুএস ট্রেদ রিপ্রজেন্টেটিব কেথরিন টাই অমসুং য়ুএস কর্ম্মস সেক্রেটরি গিরা রাইমোন্দোনা কো-হোষ্টশিং ওইদুনা লোস এঞ্জেলিসতা পাঙথোকখিবা নুমিৎ নীনিগী ওইবা মিনিষ্ট্রিএল মীটিংদা য়ানবা অদু পুরকখিবনি।

য়ুএস প্রসিদেন্ট জো বাইদেননা হৌখিবা মেদা ইকনোমিক ফ্রেমৱার্ক অসি লোঞ্চ তৌখি। ফ্রেমৱার্ক অসি লমদম অদুদা চাইনানা ইথিল পীবা হেনগৎলক্লিবদু মহাক্কী গভর্ণমেন্টনা থেংননবা লৌখৎলকপা খোঙথাং অমনি হায়না লৌনরি।

প্রেস কনফরেন্স অদু লোইশিল্লকপদা টাইনা হায়খি, মদুদি ট্রেদ পিল্লরগী কম্পোনেন্টশিং অদুনা মেম্বর লৈবাকশিংবু অঙম্বা থাক্তা ফ্রেমৱার্ক অসিগী পান্দম ফঙনবা থবক তৌহনবগা লোয়ননা ঐখোয়গী সপ্লাই চ্যেনশিং হেন্না চেৎশিলহল্লগনি অমদি তুং কোয়না গ্রোথ লৈহনগদবা মওংদা মেম্বর লৈবাকশিংগী মরক্তা কো ওপরেসন হেনগৎহল্লগনি। পিল্লর মরিগী মতাংদা ৱারী শান্নবা অদুদা সাউথ কোরিয়াসু শরুক য়াগনি অমসুং লৈবাক অসিনা ফ্রেমৱার্ক অসিগী মনুং চন্না নেসনেল ইন্টরেষ্টকা মরী লৈনবা লমশিংদা মেম্বর লৈবাকশিংগা লোয়ননা তোঙান তোঙানবা প্রোজেক্টশিং পায়খৎমিন্নগনি হায়না মিনিষ্ট্রি অসিনা ফোঙদোকখি।

## মেক্সিকোদা বসকা ফ্যুএল টেঙ্করগা থেঙ্গায়নবদা মীওই ১৮ শিরে

মেক্সিকো সিটি, সেপ্টেম্বর ১১ (এজেন্সী):
মেক্সিকোগী অৱাং নোংপোক থংবা ষ্টেট টমৌলিপাসকী হায়ৱে অমদা ফ্যুএল পুবা টেঙ্কর ট্রক অমগা বস অমগা থেঙ্গায়নবদা হায়ৱে অদুদা মৈ চাওনা হৌরকখিবগা লোয়ননা য়ামদ্রবদা মীওই ১৮ শিখ্রে হায়না ষ্টেট অদুগী এটোর্নি জেনরেলগী ওফিসনা ফোঙদোকখ্রে।

এটোর্নি জেনরেলগী ওফিসকী রিপোর্টকী মতুং ইন্না বস অদু কাষ্টা নুক্লাস টুলস কম্পেনিগীনি অমসুং থাংজ নুমিত্তা হিটজুটলা ম্যুনিসিপালিদগী লাকপদা হিলদা গো ম্যুনিসিপালিটিগা নক্ক না ভিক্তোরিয়া-মোন্টেরে হায়ৱেগী মফমদা থোকখিবনি।

অৱাং থংবা বোর্দর ষ্টেট অসিগী প্রোজিক্যুটরশিংনা ফোঙদোকখিবদা থাংজ নুমিৎকী এক্সিদেন্ট অদু ট্রক অদুগী টেঙ্ক ট্রেল্লর অনীগী মনুংদা অমা নাম্থোকপদগী থোকখিবা ওইরমগনি হায়বগী চিংনবা লৈ। থেঙ্গায়নবা অদুদা গাড়ী অনীমক মপুং ফানা মৈনা চাকখি। পুলিসনা লৌবা ফোটোশিংদা বস অদু মৈখু কারবা অমদি মশুপ মশুপ্পবা মেটাল ফ্রেম খক্তমক ওইনা উবা ফঙখি।

টমৌলিন ষ্টেট পুলিসনা অহানবদা মীওই মাপনগী ফিভম থীনা মৈনা চাকখ্রবা হকচাংগী শরুকশিং ফঙখি। তৌইগুম্বসুং প্রোজিক্যুটরশিংনা মতুং তাবদা অহেনবা হকচাং মাপনসু ফংলে হায়না ফোঙদোকখি।

মখোয়না অশিবশিংগী মশিং হেনগৎলকপা য়াই হায়নসু পনখি। ফ্যুএল ট্রক অদুগী দ্রাইভর অদু এক্সিদেন্ট অদুদা হিংহৌখি অমদি মহাক্কী মায়োক্তা থৌদোক অদুগা মরী লৈননা থিজিনবা হৌখ্রে। সেমি-ট্রক অদু টেঙ্ক ট্রেল্লর অনী পরেং ওইনা চিংলগা লাকখিবনি। অসিগুম্বা দব্বল কন্টেন্নর ফ্রাইট ট্রকশিং মমাঙদা থোকখিবা মীশি মীনা কয়া য়াওখিবা এক্সিদেন্টশিংদা চেন্নখি।

মেক্সিকোদা ৱেটকী রেষ্ট্রিক্সন অমসুং সেফতিগী ইন্সপেক্সনশিং মওং মরিল তানা লৈতবদগী মমাঙদা কা হেন্না লুম্বা অমদি কন্ট্রোল তৌবদা ৱাবা ট্রকশিং বেন তৌননবা দিমান্দ তৌবা লৈখ্রবনি।

## ঈচাওগী ভিক্তিমশিংগীদমক্তা লাইশঙগী থোং হাংখ্রে

ক্বেটা, সেপ্টেম্বর ১১ (এজেন্সী):
কুমগী নোং মতম শাংনা অমসুং কা হেন্না কন্না চুবদগী পাকিষ্টানগী মীয়াম্না শাথিরবা ঈশিং ঈচাও মায়োক্নরকখিবগা লোয়ননা বেলোচিষ্টানগী হিন্দু কম্যুনিটিনা ঈশিং ঈচাওগী চৈথেং নঙলবা মীওইশিংগীদমক্তা চঙজফম পীনবগীদমক লাইশঙগী থোং হাংদোক্তুনা থমখ্রে হায়রি।

হন্দক্কী ঈচাও অদুনা পাকিষ্টানগী দিষ্ট্রিক্ট ৮০ দা চৈথেং পীখি অমসুং হৌজিক ফাওবদা ঈচাওনা শিখিবা মী মশিং ১৩০০ হেনখ্রে। ঈচাওনা মরম ওইদুনা বেলোচিষ্টানগী কাচি দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা অপীকপা ভিলেজ অমা ওইরিবা জলান খান প্রোভিন্স অদুগী অতৈ মফমশিংদা ফাওনখিদ্রে। ঈচাও অদুনা য়ুম কয়া মাঙহন তাকহনবগা লোয়ননা মীওই কয়া ময়ুম মখৈ লৈহন্দ্রে হায়না দোন পাউচেনা হায়রি। পাউচে অসিগী মতুংইন্না পীক্লবা ভিলেজ অদুদা লৈরিবা হিন্দু কম্যুনিটিগী মীওইশিংনা ঈচাওগী ভিক্তিমশিংবু চঙজফম পীনবা বাবা মাদুদাস মন্দিরগী থোং হাংদোক্তুনা থমখি।